পাক্লংগা অপাম্বসিনু যোংদো ক্রন থম্মোয়নুংদ ঙমচাক চাক্র ফমদুন খম্মু হায়নবা? নপা ইবা চেল্লদুনা থোইবানা হায়বকই।

থোইবা, নঙ্গা কাপ্লবনা নঙসিদ অঙাং মচাদৌন হেক তৌইদ। নচেগী মতেংপাংব লাক্লগ নঙদি ঐঙ্গোন্দ নিংঙাই পঙতৌদ তৌই। নঙগী বাসিদ ঐন পু থাংব ঙম্মোইদৌব।

কাবগীনো নচলদ চিংনব থম্বাবিন। ঐদি ঙাসিমক নঙগীদমক্ত লেপ্প ঙমগানি।

থোইবা, ইবাম্বা অচেৎপ মাব থম্নবগ, ইমানা ঐবু লান্না খল্লকপসু যাব। ঐসে শাগৈগা নবুং অমত্তম খল্লুনে।

পাবাবেল, ইমংদগী ফনোল তোংদোক্লগা মপান্দ অমক থোক্লকই। থোইবাদুনা ফান্দ

ভাথবগ তুল্লম্বদু হৌদোকই। থোইবী, চাক থোংব মতম য়ৌবেনে। থোইবী, খংপ্রেক খংই। মীকপ খণ্ডথোক থোক্লগ হৌগৎলকই। ইসঃ ঐদি তুমথকবেদনা।

– কবিগীনো নুমিৎ তাবমদাইসিদ তুল্লিবদি' পীবাবেলন ফান্দদ ফমথবগ হায়বকই।

– নঙগী ব্রাখলদ, নঙগী মঙলান্দ তাউকবিবা!

ঙসাইমখৈ ঙাল্লীভৈর্দদি কৈদৌবগে?

– থবক চিনবদগী ফম্ব নঙজদব। হৌজিক নশক উবগ ... ... ।

– থোইবী, কান্নবোইদবদ, থম্মোথ কাথেক্লর্বান। লাইবক চল্লীবী নঙন নুংশি নুংঙলগী ইপাক ইবোযগে হায়দুন থৌবাংগনু। ইবাক্লবগ তুংদ নীঙল্লকবসু যাই।

– তামো নঙগী থম্মোযদুন অসুক যাম্ন কল্লিনাসবু কবিগীনো হায়ব' নমান্নবশিংদি লৈশাবী অমনবু হৌবক্লবদি, হবাও মথোই কার্নাব। অদুবু নহাক্ত হনজিন হনজিন হায়বব ফাওবদ শুকয়া যাবীদ্রি।

– ঐদি ওনথোক্ল হৈনদ্রেবু থোইবা। চাবোকপাগী মতেং পাংব লাকইব্রা, ঐগী পুক্নিংবু ওৎপ লাকইববা' কবিনুংগী ফোন তৌকবনো হায়বদু হেক যৌইদকো।

– নঙবু নুংশিমনবদগী ওইনজর্বাসিবু ওৎপ কৌব্রানে' পীবাবেলগী লেংজুমদ খদাং শৌবগ, নোক্লগ হায়বকই। মসিদি নবুক ফওবগী পঙখন খনজর্বগী বানি। নঙগা নচিন্দুন, ঐবু তশেংন নুংশি হায়বদ, নবুকমাক থিন্দি থিনজোইদ৹

থোইবী ঐ খাঙব ঙল্লকলোইদৌব, নঙগা লাক্ল ফানব ঙমদ্রব নিং হাইদ। যদি, ঐ নঙন হায়ব যাবগে। অদুবু ইমাদ অমুক্ত হংখো। ইমান অযাব পাব্বদ, ঐসু যাগে।

– ইমান যাদ্রবদি তোকপ তাবেনে। বাখল নুংঙাইতন খুমই

– যাদ্রবদি যাদ্রেদনা, অহলন যাদ্রর্বাদ ঐসু পাম্বে লৈতে।

– নবুক ফওব তৌনুকো মীফম।

পীবাবেলন থোইবীগী মকোক্ত ককসি হকই।

নাই বা হিংচার্বাসিদি। মাগী মখুৎ নুঙ'উম্ম, যোৎকুম্বাসিন ঐগী কোক খব থা, ইনা খব লৈথৎ, ঐদি শীগদৌবি।

– নুংশিবন থাববু নাব হৌনববনে'

ঐন হায়বদি হেক শুকযা যাদে। ইনাসে খব লৈথৎ, ইকোক কর্কাশ খব তক, ঐদি নোংমদি নখুও শিবদি শোযদ্রর্বান।

– অদুন ঐঙোন্দ পঙহৌ হৌজনু। ঐদি শাগিব মীনি।

ঐদি ননাকসিদ সুম লেংদন অসুম লৌনংলক্লে।

থোইবী, লম্বী মনাক্নি। অউব মান উবগ লান্ন খর্নাখিন।

মীন উবগ ফিল্ম নম্বনি হায়ন খনর্জনি।

– ঐদি নঙবু যাম্ন ফুনিংলক্লেবু। ইকাযবগাকসে কবি অমত্ত খঙলক্কব মাল্লি। নুপীন অনম কনবসে ঐদি তশেংন কিজেনে।

মদুদি নুপা থোক্তবগী ৱানি।

– সেনে থাদোকউনে কোল্লক্কনু অমত্ত। মীন যেংলগ নোক্লবীগনি হাযবগ সুম অনম কনশিল্লকই। মথোং মবম খঙদন ঐগী হকচাং শোক্লকপ যাববা?

– ফিল্মদদি, হেবোগ তেবোইনগ ঈশৈশকপদ হকচাং অদুম শোক্লবি, কোয়্নে, খুৎশম্বৈন।

– ফিল্মগ তাইবঙগ মাঃাব যাববা?

যাযন। ফিল্মগী মতৌ তম্ব কাবসু কাযদেনা।

হায, চাকতুম থোংলচো, লাই খুকম্বগী থৌবমসু মতম তেন্দোকখিদৌবে।

তৌবোই অমও। শাউবংনন খুমই।

তৌদ্রগ তোকউনা, ঐন তৌববসু যাইনা। থোইবীগী মকোক্ত থাবমলম্লগ পীবাবেল ইমুংদ চঙখ

হন্দক্লা থোইবী শাডবা ঙমদ্রে। পীবাবেলন থাবম্ন মফমদুদগী মখুৎন নাল্লগ মখুৎতু চানবান্দ চপচে। নোকফেৎ তৌই, কযাদ নুংশিবিব নুপানো? মথন্ত মুকম মুকম শোল্লী। ঐন মাবু অসুক যাম্ন নুংশিবির্দসিন কাবগীনো? ঐন হাযবদন মান শুকয়া যাদ্রি। মাগী থম্মোগ অসিবু ঐন কযাম্ন মাযাথব ঙমগনি।

পাবাবেলন থোঙ্খ্রান্দ লেপ্লগ কৌবকই, থোইবী নচেগী মনাক্ত অমুক্ত লৈবলাকও। অইংবদুদ কৈদৌবনো? ইমাদ লোইন হাযদোকচানি। থোইবী ফান্দুদগী হৌগৎলক্লগ, ফান্দু মাঙগোলদ থাংগৎলগ, ইমুংদ চঙলকই।

১৩ শুব

তাইবঙপানবসে অঙকপনি। হিংলিব পৃঙ্গি মহিংসিদ অমাগ অমাগ মান্নহন্দ্রি। কনা অমন মচা কায়নবগী, কনা অমন মমা মপা কায়নবগী মৈচাক খাঙলি। কনা অমন মমিত্ত মচা উব ফঙদবদগী লাই খুকমলি। কনা অমন মচা য়াম্ন পোক্‌মনবদগী পীজ পীথকপা ঙমদবদগী অরাব মাযোক্লাব। অদুগ কনা অমন নিঙোল পো কুবদগী লাইনিংঙৈ, অদুগ কনা অমন নিঙোল যাম্মনবদগী পীবা ফঙনংদুন লাই নিংনবি পুম্নমকসি মপু ইবুংঙো মাগী লিলানি, খুংশেমনি।

উলেনসু মমিত্ত মচা পীবা অমদি উবা পামজবকখি। অদুবু লাইন শেম্ন খুংশেমদ মচানুপী লিস্পোইদগী হেল্লা হাযব যাদ্রে। মাগী নুপী লনচেনবীসু মম নবীশিংগী মচানপা মবোল মবোল লৈব উনবগ থম্মোযদ খত্তুম্ন শুদুন খাঙখি। মীগী মচান মমৌ পাকপ উবগ মথবাই চাকপদ্ ওইবকখি। অদুবু ম্খদি লেপ্তু, মচানুপী লিস্পোইব লুহোংথোকপীবগ, নুপাদুন যুম ইঙ্খোলসে লৌতৌব হাযন। পীবাবেলগী বাল পম্ন মমা মপাদ লিস্পোইন তম্মী। মখাযন লিংখৎপ মহৈকোনগী লমজিংলোই (ওজা) স্ ওইবিব নুপানিন লন থুম পুম্নমক পীবাবেলগী মফমদ শিন্নব পাস্নম্মী। নোংমাইজিং নুমিৎ অমদ পীবাবেলবু উলেন্ন চাক্কৌবম্মী। লিস্পোইন নিংজবগ উলেন্ন খনবগ মপা চানখিব হাযদুনি।

সুমাংদা পীবাবেলন গাড়ী খাম্বদ, লিস্পোইন কাদগী চেপ্লোক্তুন কৌই। হৈমা যৌবীবকএদনা' চঙলকউ ইমুংদ।

- পাবুংহোযদি। মাঙ্গোলদ কাখৎলগ হংই।

ইমুংদ লোইন লৈযে।

কৈবাক্তুদ কাখৎলগ মযায থংব কাদুদ পুশিল্লমই। পীবাবেল চঙলকপদ লনচেনবীন তবাম তবাম্ন কৌশিল্লকই।

ইবুংঙো চঙলকউ, ফর্মসি।

পীবাবেল সোফাদ তপ্ন ফমথবগ হাযবকই। পাবুংন কৌবীববু কবি কবম্ব. .. ....'

- ইচাগ চাক চবা মত্তংদি চামিন্ননিংদুন কৌজবনি। অদুগ অকুপ্প রাবি অমত্তগ শাগে

তৌব। হায়, লিপ্পোই, ইবুংগী চা পুবকউদন। মচানুপীদ উলেন্ন থৌদাবি।
– হোয় পাবুং লোনজক্কবগে। লিপ্পোইন খুমই নোংম পীবাবেলন পীজখিব বোবাগী লমন শিংগে হায়ন খনখি। হোতেলদ প্রপ-প্রপ থোক্তুন কৌথা বোবাদু ময়োম অম লৈকবে। অদুগ চাকশঙদ চা লোনখি।
– অদুন ইবুংঙো ইপাসু নহাক্কী পুল্সি ব্রাবি লোইন তাবে। মসিদ ইপান হায়জনিংলিবদি, ঐসু অহল ওইশিল্লকলে। থবক্তগী পোথাগদৌবসু কুইদ্রে। ইচা পীবাসু য়াওদে, ইপা লন থুম পুম্ব ইবুংঙোগী মফমদ শিন্নব পামই। মসিদ ইবুংঙোন যাবীনিংদববা?
– পাবুংন তার্কাপাবিবসি নচাগীদি যাম্ন লাইবক ফর্বনি। লিপ্পোইন ঐবু নুংশিবীদুন ঐবু শিন্দমশঙগী লমাজংলোই অম ওইহনবীবে। মাগী লমন্দি ঐন পুল্সিসমগী ওইন শিঙন্নবোইদর্বনি। অদুবু ঐনা লৈকাবিব ইমুংদুসু নুপী মচা অম মথন্ত লৈবি। মমা মপা আনিমকসু লাইবক থাব থৌদোক অমদ লৈখিদ্রে। হেন্ন লাইবক থীবিবন নুপী মচাশি তৌজিক চাবোক্তুন লৈবি। মাগা মতেং পাংবীনবসি ঐ নত্তন কনা অমত্ত লৈতে। মান মশা কল্লকপ ফাওন্দংদি ঙাইবা খো।

নাঠদ যাউদ। লনচেনবীন মখা তাবকই। চুম্ন ঙাওনবগী ব্রানি, ঙাইথোক-ঙাইশিন যাবি। অদুগ য়াম্ন নুংঙাইজব ব্রাফম অমন ঐখোযগী লিপ্পোইসে থোঙগ্রাউদ শুম শেৎতুন লৈবম্মা। চৎথোকপাসিদ মপাগ, ঐগন ফনেক শেৎলু হায়বাসি য়াখিদ্রবনিদো। অদুবু ন... হায়বকপনবা, ইন্দ্রে ফানকসে ফজন শেৎখ্রেনে ইবুংঙো।

খ...দেদ ইমা, নচান শিংদবগী ইতিকপূদি লৈজদে। অদুবু ঐন মঙোন্দ ফাগী ওইন হায়খিবনি। ফনেক শেৎপন নুপাগী ফিজোলসি নীংথিব হেল্লিদা। লিপ্পোইন চা পুবগ চঙলকই। টেবল মথক্ত থম্লগ, পাবুং চা থকাসি। মথং মথং মখুৎন লামদুন পি।
– ইসা অযুক ঙন্তাসিদ কদাযদগী বোবানো? মমান হংই।
– অহাওব বোবানি, কৌথা বোবাসি চানিংমন্দুন ইনে কবোক্রেদগী লৌকর্বনি। বোবাগী লমন শিংলব হাযদুবা? পীবাবেলন লিপ্পোইদ ওনশিল্লগ হংই। চৎলোদ তানিংদে, অঙলশিংগী মমাংদ ইকাযদমাল্লে।
– অদু লিপ্পোই, ইবুংঙো লাকপাসিদি কাবি এক্সাং পীজসিগে? মপান মচা নুপীদ হংই।
– ঐন ইতৈ ইতৈ চাউবদগী য়েন ব্রোইলব অচৌব অম লৌকববনি। ইমাসু চহি হৌব(ন্যু ইযাব) নুমিৎত চাবদুদ য়েন্ন ফববা হাযন খল্লিব।
– থীদা অঙাওবীসিদি, মীগী মমাংসিদ শেংন হেক হায়দোকই।
– চায় হায়ববু চায হাযবানি কৈনো? য়েন চাববু পনবদ য়াদববা?
লিপ্পোইগী ব্রাহৈদুদ মযাম ব্রা ব্রা নোকপদ কাদু পোকখাযগে তৌই।
– অদু পীবাবেলন নুপানিন শেম শাব অদুদগীদি থোং থাকপসু ওইব তাবে। ঐন চাক থোংলক্কে।

-- হোযদা হোযদা তৌবগ লোইবেদন। অদুদ চাক্কৌবসিবু অবাক্‌প মীনদি থোংনদবনিকো।

- অদুদ ঐদি, যেনব চাবদি হৈব, অদূগ থোংবদি হৈতেনে। থেঙখিনবনি, খুদৈ হোংদোকপীবো লাকও, ঙন্ন চাশি।

পীবাবেলগ লিপ্লোইগ ফল্লম্বদগী হৌগৎপ্রে। মমা মপা আনন তুমিন্ন ঙাঙনহৌবি। মোই পাবুং ইবুংঙোসি মশক মতৌদি লাই মচাগুম্ননিকো।

অদুনবু মচানুপীন ঙাওজবিবাসনি মসিদবু ঐখোযন লুগোংবীদব যাবিববা?

— ইহো টেবল মথকসিদ চাবম থক্লম্বগী গ্লাসশিংসস চাইদুন লৈবেনে।

— অদু ফাওবদি নঙসু নুপীনি লোইশিনব যাবেদা। নচানুপী অমক ঙাইকদ্রবসু। লনচেনবীন হৌগত্তুন গ্লাসশিংদু খোমজিন তাশিন্দুন লোইশিল্লি। মোইপাদ্‌বু লাইশ্রমগী লায় থৌবমদুব্‌ চৎপিগদৌবিববা? চাক তৌগনি হাযগুমসু তৌই।

- হৌজিক চৎলগ পোৎযেং ওইন পীকনগে।

অসোমদন কমদৌবি। নতা অনিদ্‌ কা মনুংদ ওনজিন ওনজিনদুনা লোকমীন্নবি।

— পাবুংন কাব কবি হাযবিনো?

— কবিসু নত্তেদা, নোযদ লৈবাসি হাযবিবনিদনা।

— নঙদি কবি হায।

- ঙমহৈবোই হাযবম্মী।

- কবিগীনো?

- যাওং ইনবদো ইকাযজবিবানিদনা।

— যাওং ইনব নত্তেদ, অশেংব যুমদ লৈবাসিবু। হাযবদি, নঙগী অশেংব যুম তাংদাংব লৈত্রিব।

— বাখলদদি ইঙ্খোল অমত্তুংদি লৈগে খল্লম্মনি।

- শেল অবেন্নদ তিংননবনি। ঐখোযগী ইঙ্খোলসে নঙগী অশেংব যুমফম ওইজবো হাযব'ফাওবদ পুক্লিংদ যানিংদ্রিববা?

অদুদ হযেং নঙন শাউবকপ মতমদ, যুম ইঙ্খোল লৈতবদগী ঐন পীবীবনি হাযবক্কদবদো খল্লুবদ ইথন্ত সুম ইকাযজাবিবনিদনা।

— হাযজবোই ইবুংঙো। ঐবু ঙাংগনব নুপী মানববনে। পীবাবেলদ কোনশিল্লগ হাযবকই। মথাদ মমাযদু উপশিল্লগ ওইনজাবি।

থাদোউসে ইবেম্ম ইকায খঙদব তৌনু। ইমাহোযন উবগ ঐসে তৌঙম্ব মী মানখিনি। যেন হাযদো কদাযনো, ঐ যেন শেম্লুবগে। শেম্লনব থাঙ অমগসু পীবো। নথানুংসিদ কোন্দুন থম্বীবনু।

পীবাবেল

– ইহে' এদি, নঙগী নত্তৌসিদ ইকাউ কাউথোকলুবে। লাক ও চাকশঙলোমদ চঙলশি লাকও। চাকশঙলোমদ লমজিংদুন পুশিনাখিবম্মী'। মনিঙথোঙগী মনাক্কুদ খুদোঙ্গী থীন্দুন যেন শেমফম তাকই। পোলাং অমন কুপশিল্লম্ব যেনদু তাপ ফাবগ পীবাবেলন হাৎপ হৌনকই। যেনদুন মখোঙ ফ্রং ফ্রং কাউদুন চোংবদু উবদ, লিঙ্খোইদি মমি; উইশিন দুন খাঙই। ঈমাইপেম্ম যেংহৈদেদা।

– ঈযা' হোবেল নঙন চাথোবকপন খিৎ হেনগনি।

১৪ শুব

কংলৈপাকসে থৌদোক্ল মশিং খিঙমদ্রে। লুহোংব, লান্ থৌবম, লৌখৎপ, লুকুন থাংব, ইপাল্ থাব, মঙানি লৈহুন্, যুম শঙ্গব, চাউম্ব, নাহুৎ নাবেংনচিংবনি। নোংমত্ত লেপ্লে। কবিগুম্ব মতমদগশু অমগ অমগ ফাংনবদগী চৎফম খঙলক্লবশু যাওবি। অমনোমদ খল্লবগাদ পোৎযে, সেল তাম্বনি। পোৎযেং সেল তাম্বদ লাইবক ইমুংদি নীঙ্-মাঙ চিংনবি। চাক্লেন (উসব) অম শিন্দদ শেলনাম অম থমজিন্নাব। চাক থক্প ঙমদ্রগন অবেম্বদ, লৈবক খাংবান্দ লংতোক্লাবি। মসিশু পোৎযেং তান্বদ শোযবিবনি। মবমদি পাউজেলচে(বার্তান) ১০০০ যাগনি। মগা মতং ঈন চাক ঈশিং লাংবদ, মী মশিং হুম্বন লাকপদ, চাক্তি অদুম লেম্মী। লুহোংবদ, ইপান থাবদ, শঙ্গাবদ যু যাম্ল থক্লবি। মসিন খৎন লৈনবগী থৌদোকপু ইনোৎ হাপকৎপীবনি মশিবগী পোৎলোইব অমদি, লাম থৌবম মঙন্দ যুদি অদুম থক্লবে।

লাংলেনগী মচানুপাদু থা মাপন হায়বক্লন চাউম্বগী থৌবম অম নাঙই। যাঙই পাউজেলচে ফংদুনা লাকখ। যাম্ল চাঙবমত্তিং নঙে। মা পংযাম মান্দন তিক্লি। থৌবম অসিদ যাইফবা, খোইবা, লিম্হোইনচিংবনা লাকই। চাক তোক্লগ ক্কা হৈ চাদুন, সুমাংদ মযাম ব্লা ব্লা নোক্মিন্নে। ইমুংদ থোইবীদ হাক্ল হাক্ল কপ্পী। পাবাবেলন কপ্পীবী মাবু কন্না থেমই।

- থোইবী নঙ ঐবু বাবৌবনু। ঐবু নবুংমক্ল খল্ল থক্লাযদগী হেন্না নুংশিজব নঙবু কবম্ল ইন্দ্রনি হাযগান।

মপান্দ লৈবিব মীশিংশে অতোপ্প অনও নঙেনে। মোযন তাবগ নুং চাইবোত হাযবনে। লৈশাবী অম যাওনিবসে, অতোপ্প নঙে, মাগ ঐগ লুহোংগদব কুইদ্রবনি। মান তাখ্রগ নুংঙাইখিবোই।

- ঐন হাযবদ যাখিদ্রগা নুপা অসিন হাযবদন যাবিবাননে। যাম্ল পুক্লিং নুংশন হাযবকই।

মমাঙঙেদগী লৈনবকপ মবি অম লৈ। পাই শোন্দুন ব্লাশক্লখিবন, অতোপ্পা কনা অমত্তবু ঐন খোযদাকদননি।

অদু ওইবগন নহাক্ল হাযবদি কৈদৌই। ঐগী থম্মোয চাকথেকহনগদৌবগী লেন্নবিববা

হৌজিক হাযবসিসু কবিসু কাযদেনা। ঐন নঙোন্দ মীনম্বীখিব যাওখিদ্রি।

তামো নঙসে মী ওৎপ তৈব নুপানি।

– নত্তে, ঐ মী ওৎপদি তশেংনা হৈজদে। ইচিন্নাসিন কমাগুম্বী অমত্তবু ইনিং তম্ম ফেংদোকপ ঙমজদে। নঙন অবোযবসু নত্রি। নচে যাইফবী ফমওবদ ব্রাথোক ব্রাযাম্লখ্রবনি।

কবিগী থোকইবনো?

মান ঐবু তশেংনা নুংশিখি। অদুবু ঐনদি মাবু কবিসু খনখিদে। ইখঙ খঙহৌদনা মমা মপান অতোপ্পা নুপা অমদ লুহোংনব শিনখি। মানদি শুকযা যাখিদে। নোংম নুমিদাং অমদ মা ঐগী ইনাওং লাক্লুনা মাবু নৌশিম্মীযু হাযজখি। অদুবু ঐন যাখিদে। খুদক অদুদ মমাগী মনম্মাগা লাক্লুনা ফাদুনা পুখি। নুমিত্তুদ মান ঐবু যাম্ম ব্রাবৌখি। পাঙদব ইবিল যাওদব অমগুম খনখি।

থোইবীদ পেনজদদুনা পীবাবেলগী মথাদ চেৎনা কোল্লগ হীক্ল হীক্ল কপখি। মমাযদু পিবাংনা পুমচোৎ চোংলে। অশাব পিবাংনা পীবাবেলগী মোঙা ফুবিত্তু পুমচোৎ চোৎলে। থাইবা নাওব তোকও হাযননে? নচেহোইনা তাবনিনে। শিম্মবিন পিবাংদু তপ্প হৈহোকপিবগা হাযনকই।

মপানলোমদন কমদৌনি। লিপ্পাইদ লুহোংনা অম লৈ হাযদুন ঙম্ভান চৎখ্রে যাইফন গা লাংলেনগ বর্বন শান্নহৌবি। লাংলেনগী মতম্মাক্কে মম্লিব অঙাং মচাদুন বাবিদু নম্ন তানা।

তম্মোদ কমদৌনি?

ইচে লিম্মোইগ মেবা খাদ লুহোংগদৌবে। মসিগী খনবদ ঐদি নুংঙাইতবন?

— কবিগী নুংঙাইগ্রবনো?

নপা মযুমদ লৈপিবগী মওংনা। ইখন্থ ইচিক চিকহৌবগনা। অদুদগী হন্দক ঐগী অঙাং ঙম্লবদ তামোসে ওস্থোক্ল শাগ্রন। বামনবদুদ ইন্দোমচাদ পাউ পীবেনে। অদুদগী থোইবীসু লৈববে। মাদি তামোদ ঙাওজাবিবোইবে। তামোন শুক্যা যাদব। অদুদ ঐঙোন্দ খন হাযবাযু হাযদুন গ্য গ্য তর্কশাল্লব।

অদু নঙদী কাব কবিদ্দি হাযখি।

কদাইদগী হাযব ঙমদোইনো? নঙগী হাত্তক্ত নৎত্রো ঐন ইকাযব নঙখিবদো। অদুগ ইন্দোমচান ব্রাখল অম থল্লম্লো। নঙদৌন অতোপ্প নুপা অমদ থাজগে থল্লম্লোনে। ঐন শিন্দুন তৌবর্বনি কোক হাযবকও, ঐদ চোপ্লোইদ্রা?

শঙদেদ ইবেম্ম নুপা মখোং চাদব অমদ যুম পাল্লুদন ঐদ ওম্পোক্ল নাবেদা।

নঙগা নুপাদুব্ল ইনজিনিযাবগা মচানি, থবক তৌদ্রো?

পীবাবেল

কদাইদগীনোদা মপা ফবগ মচাশু ফবপোৎ নত্তেদ। ঙাওশিন্নবদ খম থেংলবনি। অযুক ঙন্তান থোকখিনি। চে (স্বাব্) শান্নকনি, যু থক্লগ হন্জিল্লক্কনি। চাক এন্সাং হাওত্রগন ঐঙোন্দ থীন থীন ফুৱীবমগনি। অহলশিংন খাম্লুবগশু থাঙ পায়বগ ওনশিল্লক্কনি। মাগ মান্নব ঙম্দবদগী তুমিন তুমিন লৈবৱনি। খল্লুবদ ঐদি যুম্গ অমত্ত পান্নিংদ্রেদ। ইপাম্দদুম হল্লক্লগ লৈবসিবা খল্লবনি। অদুদ মীন নোক্লবদো ইকাযবগী ৱানি।

– কুইবগ মবাইন ফজবক্কনিদা। ঐদি মথোঙ চাদ্রে। নঙ অমদি অফব মৌ ওইহল্লিংই।

– তামোমুক ফব নুপাদি ঙসিগী মালেমসিদ লৈববোইদ। মশাদ অশাউব অমত্তসু উন্তে, মবম্সু ওকই। কল্লক্কুন শোম্ব নওন কবিসু উপায লৈতে। ইচে লিম্বোইদো নুপা খম্ব ওম্বোক্ল হৈখ্রেদা।

— অচুম্বনি যাইফবী, তমো গুম্ব নুপাসিদি অতাঙবনি। মাগী পুন্সি ৱাবি তাবগসু নুংশি, তৌথোবকপ থবক্ল মাগী মগুন হাপ্পি। মামক লৈবমদ্রবদ, ঐনে যাম্ন ৱাবম্গনিবো। নোংম অমসু ইথন্ত শিজগে হাযদুন হূ লিক্লি পাযবম্লবনি।মহাক্ল থিংবদগী ঐ শিনদি ঙম্খিদে।

— অদুবু শিবম্লবদি ইবানি থেংনবগী ৱা লৈতেনে। ফবে অদুদি ঐ চংলগে।

– ফবে যৌনব তৌবো। ঐ থোঙ্গান ফাওব থিন্দোক্কে। ইহে ' অঙাঙশিসু তুম্লমানেনে। নঙ্গন্দ পোখৎলগ থোঙ্গানলোম্দ থোবকখি।

১৫ শুব

লাংলেন ঙসির্দি মপু ফান মৌ হাযবদো তশেংন ওইবে। মচাসু লেপ্ন কোইন চৎপ ঙর্মাশল্লক্লে মচাগী কুমহৈ যেংজবগ হবাওজব মতাংদু ওইবে। মচান নোকপ, মচান নিঙাই তৌশিন্নব কযাদ থেমজবগ অপেনব পোকই। খুন্নাইগী মীনোক মৈশা মযামদ মচাগী নুংশি মিৎযেং অমনা নোংদোন লিক্লাপ পাংখক ওইরে। শেংফা; ত্রব মচাগী বাহেদ লাংলেন শিথ শিথ নোকচে। অমবোমদন তোম্পাক্লু মমি ও মচা অমত্ত উব ঘ ১ড্রে। লাংলেনগী মচাবু নিজবগা যোকচবগে খল্লক্লে।মাগী নুপী মেমচাগ বা তানবে। মেমচাসু মচা ফংনবগা মযাম্ন যানিংলম্মী। মেমচাগী মবাযবর্কাসসু অঙকপনি। লাযয়েংশঙদ চত্তুন লাযেংলোযদ যেংহনবদসু মচা পোকপগী মমী হুন্ব উদে হাযবে। লাই কযা অমস খব মজবদসু কবি অমত্ত কান্নব ফংদ্রে। মমান্নবী কযান মথাদ মচা কানব উবগ মখায যাম্ন নুঙাইহদ্রে মাগা নুপ মখায নংঙাত তবদু উবগ তোমপোকসু নুংঙাইবমদে।

মখোয আনিমক লাংলেনগী যুমদ লাক্লে। মতমদু নুংথিলগী পুং অনিবোম তাবে। শুমাংদ মার্কতি কাব অম খাম্বদুদ লাংলেন ইমুংদগী অঙাঙ পোবগ থোক্কই । মতৈ মনা ও আনিদুন কাবদগী কুমথবকপদ লাংলেন পুমঙক ঙকই। মযুমদ লাক্লবনিন তঙায ফদন কৌব তাবে। তামোহোয লাকপীব। কাখৎপীবকউ। যুমযায়গী সোফা কাদুদ কৌশিন্দুন ফমহল্লি।

- অদুদি, সুম ফাম্বখো, ঐ চা লোনজবক্কে। লাংলেন্ন হাযবকই।

- যাবেদ, বানবনি লোনাবকবনু। মেমচান খুমলকই। লাংলেন চাকশঙদ প্রপ প্রপ চংশিন্দুন চা লোন্ব হৌখি। ব্লাখল মণ্ডল মণ্ডল খল্লি। ঙাস মতৈ মনাওসিন লাক্লিবাসন কবি বিবু হাযবীগদৌবিবনো মবমদি ইচা চাদেসে। পুক্লিংদ পঙচিং চিংনবি।

- তামো অঙাঙ অসিবু পীযু হাযব যাবক্কদ্রানে?

- যানব ঙাঙনব তাবেদন। নঙসু উপায থিদুন লৌননব হোৎনগদবনি।
  অদুদ মমাসিন ইযামক যাবকত্রবদি কমদৌব?

- যাদ্রগ যাদ্রেদনা। নমদুন লৌননব হোৎনব তাবেদন। মসি নৎত্রবাদ ঐখোযগী ইচা ফংফম লৈত্রবনি।

লাংলেন্না চা পুবগ থোবকপদ মতৈ মনাও অনিদু ৰাবি শাব লেপল্লে। তুমিন্না লেপল্লে, মিংচীন হায়ফেৎনদি য়েংনবি। মতৈ মনাও অনিন পুন্না নৰ্কাশিন্নন ফম্মীন্নব উবগ লাংলেনগী মথম্মোয়দ কল্লকচব পোকই। ঐসু মাগী মনাক্ত লৈজবল্লবদি কয়াদ নুংঙাইজবমগনি। অদুবু ঐগী লাযবকসিদি……। টেবল মথক্ত চাদু থল্লগ, তামো চা থকসি। মখুৎন অমমম লানথোকই। মখোয় অহুম্মক চা থকমীন্নবে মমায়-মমাযওনশিন্নবগ। তোম্পোক্ত ৰাবি হৌদোবকই; লাংলেন ঐখোযন ঙসি লাকচবিবসে। নঙোন্দ পোৎশক অমত্তংদি নিজগে হাযদুন লাকচবিবনি।

– লাইবক থিবী ঐঙোন্দগী কবম্ব পোৎশক্লো?

– নঙগী নচাসে ঐখোয যোকচবগে। মসিদংদি নঙন যাবীযু।

লাংলেন কোকচাউবী ক্ষুং কাবকই। অসুক নুংশিজল্লব মচাসিবু মথানুংদগী শেল্লুন মুল্লগান খল্লুবদ তোম্পোকপু হাযফম খঙদন ৰাবৌই।

– অদুদ তামো, ইচাসে যেংজবগ অৱাব কয়াবু কাউখোকচবিৰ্বনি। অঙাংসে মমা ঐগী নাক্ত অদুম লৈজসনু। ঐসু লাইবক থীব হাযনদনি। ইমিন ইচা অমত্ত উদবসিদ ইচা উনিংবন তশেংন ঙাওবে। পুক্নিগী ওইন মমা অম হায়বদো ওইববোই দীবানন থৱাযসে ইনুং নুংঙাইরে। নঙদি মতুংদ লাইবক ফববদি পোক্লকাখবসু যাবি। সাবৰ্নদি ঐখোযবু নুংশিবীবগ অঙাং অসে যোকচবগেবা।

তামো ঐসে লাইবক য়াম্ন থীববীনি। ইমা ইপাসু লোইন চৎলে। ইপা [illegible] শঙবীহৌনব পীবা অমত্ত লৈরে। ইচাসিন ইখোল অসিগা মপ ওইহনবগ তাযনা ... ইচাসে অতোপ্ন মীন যোকপসু পামজদে।

– লাংলেন, ঐ নঙগী অৱাব খঙদব নত্তে। অদুবু ঐগী ইচা অমত্ত পাক্তবাসিদ, ঐগী শাগেসে মুৎপগী মওং অম লাক্কদৌবে। অতোপ্প শাগেগী অঙাংন মংৎ শিনহনবসু পামদ্রে। ঐগী অশেংব ইচান ঐগী শাগেগী অমদি যুম ইখোলগী মপু ওইরগনিংই।

ঐবু মতমদুদ নঙন ওক্তবী অমগুম্ন ইস্তোকপীখি। মতমদুদ ঐবু নহাক্ত শাগেগী মী ওইন লৌশিনবীবম্ব মতাং থোক্কলহল্লবদি কযাদ ফবমগনি। ইমা ইপাগী যাথং ইল্লিৰনি হায়দুন ঐবু মীবাইবীখি। নঙন পীবম্ব খুদোলসিগী হাক্ত ক্ত ঐন খুগাইগী মীনোক মৈশা মবক্ত অৱাব কযা খাঙখি। অৱাব কযা খাঙলবগী তুংসিদ হৌজিক অমুক ইমা ইচাবু শেংন খাযনহনবীবসিদি তৌবীবনু। কপ্প কপ্প হাযবকই।

তানজসিদ পীবাবেল শিন্দমশঙদগী হল্লকই। ইমুংদ ঙাঙনবিবদু মাংগোলদ তুমিন্না তাই। লাংলেন্না কপ্পগ ঙাঙবদ ৰাখলদ চিংনব অম পোকই। ইসঃ কবিগীনো, ঙসি লাংলেন্না কপ্পিবসিবু? ইমুংদ চঙাশল্লকই। কবি থবক্কীনো ইথা থাজদন ইনাও ইবুংঙো।

– তামো হনবীবকলেদন। ঐখোয লাংলেনগী অঙাংসে যোকচবগে হাযজবল্লিবা"

— ইনাওবা তোম্পোক হায়বিবসে, অঙাংগী মপানিনে। ফৈনে কৈসু কাযদেনে। অদুবু মমাগী মথাদগী শেঙুন মুন্দুন লৌব হায়বসিদি হৌনদেদা। হোয় অঙাং অসিন চাউবগ মপাবু কদাযদ লৈগে হায়দুন কোইথি-থিবক্লগদৌবদুবু।

— অদুদ তামো। পিক্লিঙৌসিদগী যোকপন ফগদ্রা হায়ন খনজব। মেমচান মবৈ ইকোন কোম্বুবগ হায়বকই।

— অদুদ ইবেম্মা, ঐসু নৌন ইমা কাযনবকখি। অদুন মমা মচাসে কাযনহন্নীংদবানিনে। নখোযনদি হবাও তবাওন পুম্ব্রগনি। সোমদন মমানা মচাগ কাযনবগী কপ্তুন খাঙহৌগনি।

তামোন তাকপীবব নাফমসে অচুম্ব ঙাক্তনি। অদুব নচলদি ইচা ফংনবগী মৈং চাক্লবীনি। নচলবু য়ম ঙ ন শবায।

লাংলেন, প ' কম্ব্রসি নচাদো। পাবাবেলন হাযবকাখ।

অসক নু শঙখব হচাসব কবম্ব পাথোকদৌবববনো ' নঙগ। নচা নঙবনিং ন া শনমদবসু বাই, ঐদ ইচা নুংশ।

' থাম ' অবাব মপু খন থেংনাব থৈ। পাবাবেলন লাংলেনদ থেমাঙল্লগ হাযবকই। ইবেম্ম অং দো চলাব ঐপোন্দ পীবক্লো। লাংলেনগী মনমদগী পাবাবেলন নমতৈ ... লোমান লাশ ... ই। মেমচা হন্দকী মোমোন লোকই। অঙাংদবু মথাদ ... ব নাদো। ... নীবব হন ত অনোয়নদদ হন হন চুপচে।

অদুদ তামো ... খাব অসুক থৈদনগে তোম্পোক্ল হাযবকই

... যৌ ... যৌকো। কপ্পুং কাপ্প ন হাযবকই পাবাবেলন। অচাংদ পমদুন মেমচাদ হব ঙন লাব শাবংখ। মাকুপ অমগা নতুংদ গাউদু পঙথৌ থৌদোকাখ্রে।

সে মদন মমা লাংলেম হিক্ল হক্ল কপহৌব। কপ্পতন মশকক ওইববী লাংলোম।

ইবেম্মা। সে তে কওসে ব প্লগনু। নবুং খাঙব ঙমলক্লে।

ঐগা ইচাদু নতাক্ল পাথোকাখিন নংগ্রা ' লোকাদ চাংবগ ত খোদুন কপ্পগ হায়বকই।

অদুগ মতোম্পদ পর্লদ নাংদেন। হযে মপানন শেম্বগ, নঙন শেম্বগদি মাংবোগদন।

ঐগা ইচা পাম্বু ইচা পায। পাবাবেলগা লেংজুমদ চংলগ হায়বকই। কবগা হন ইচা কাযনহাল্লবনো ' নহাক্ল ঐগা ইচা অনৌব পীব তমগদ্রা '

লাংলেন নঙবু অমুক্ত তোকখোদা। সে ইবুং বা হায়গেসে। শম্ববব পিবাংদু তপ্প তৈথোপীবগ হাযবকই। মীন অদুক ফজন তাযজববদুদ কানগী পাবোইদৌববনো ' মাগী অব্রাবদ মতেং পাংব, কথোকপাসিসু অফন থবাক্ল। নঙগী মীনুংশিদা মিংথেংসে উবদ লাইন নঙবু থৌজানবীগদৌবিবানি।

ঐ, লাইগী থৌজানগাক পামদ। লাইন এগা ইচা পাব ঙম্মোই। ঐগা ইচা অমদি

লৈতব যাদে। ইচা যাওদন ঐন কবম্ন হিংব ঙমগদৌবিবনো? তামোদি নুপী মপামদ নুংঙাইন লৈম্রগনি। অদুবু ঐদি ইদোম তবক্র চাউবব য়ুমসিদ চিক্র লৈহৌবগনি।

— অদু নঙন পাম্লিবসে কবিনো? লাংলেনগী মকোক্ত নাম্ভূবীবগ হায়বকই।

— য়ুমসিদ ইচা অম লেঙদন লৈহ্নবদুনি।

— অদুদি কদাযদগী লৌকদৌবিবা।

— খঙদে নঙন থোকপ অম পীযু। ইথন্ত য়ুমসিদ লৈবসু ঙম্মোই। কল্লক য়েংথিনবগী, মীওং মীনৈ মবর্কাসিদ নুপী ইথন্ত হিংবসু ঙম্মোই। পীবাবেলগী মথাদ ঙাথবগ হাযবকই।

— ঐবু লাইবো? ঐন ঙম্মোইদব ব্রাঙাক্ত হায।

— অদুদি হাযযু। ঐবু পুক্সি চুম্লগী ওইন থাদোক্লোই হাযন ব্রাশকপীযু।

— ঐনে কোক্‌সে ঙাওখৎলক্কদৌবি। নঙন মবোল অম নিঙাই তৌবনে, নুপী ময়ুম্ন মবোল অম গ্‌-গ্‌ তর্কশিল্লকপনে, ঐদি পুমঙাও-ঙাওগদৌব।

— ঐবুসু নচল অমগুম খনবগী মহুস্ত, তালোয অমগুম খনবীয্‌।

— লাংলেন, মদুবু ওইথোকপ যাব ব্রাবা? নুপী অনীগী মপুবোইব ওইবদি ঙম্মোযনে। নবুং অমনি হাযন অদুম খল্লু।

— ঙম্নব হোৎনৌ। শাগৈগী ইবুংর্মাক্ত নত্তেদনা। উনী খুদিংমক নক্লব উপালদ তাংদথম থোকই। ঐগী ইপুবোইব ওইদব শুকযা যাবোই।

১৬ শুব

লুহোংবগী মযাম যা যা লাঙনবম্বদুসু পুর্মচিক চিকহৌবে। নুপাগ নুপীগ যুম অমগ ওইনা পুনাশিনখিবনা লুহোংবসু ঙন্তানা লোইশিনখি। নুপীনা নুপা মযুমদ চংখিবদ নিংগোল থিন্দোক থিনজিনসু অমগ যাওদ্রে। নিঙোল পোকপ মপা ইবুংঙো উলেন্ন লুহোংবগী অণ্ডং অউনগী, লুহোংবদ চঙব শেল পুম্নমক পুথোকচে। নুপা ওইবিবন পাবাবেলদি থোইনা শেল ইতিং তিংখিদ্রে। মমান্নবশিংগী চান থক্লব খব লাংজব নঙন। পম্নমনসে পাবাবেলগী যাইফনব শনাখব উলেনগী থৌশিলনি। যুমসু মশাগাদ ওইগদৌব লৈবনানা মচাগী মথৌদাং পাঙথোকপনি খন্ন শেল ইচঙ চঙহন্দন মীযামগী মংকী কমতেসু নপং নাইন্দুনা অসম্ন তেনতক্র লোইশিনখি।

লৈকাইগী অহস লমনশিংন উলেনগী মচানুপাগী লুহোংবসে যেংলগ অপেনব পোকই। ইমাক্কি মতমদ লুহোংব অমদ শেলাস নুপা লিশিং ৫০ চঙবসিন খ্বাইদগী নামিদ্রবানা। অদুব উলেনগী মচাগী লুহোংবদি মদু যৌখিদে। হৈজিং খবাই পুবদ অচা থক যাম্মী যামদে হাযবগী খঙনা চৈনবসু যাওদ্রে। থিন্দোক থিনজিন মৌ থিনশেল, মচা যেনবর্গা থৌবম অমত্তসু যাওদ্রে। উলেনগী মচাগী লুহোংবসি ওনথোক্ল ফগ্রেদা হাযনহৌই।

নুমিদাংগী পুং ১০ বোম তাবে। লিম্বোই, ফি হঙ্গামপাল মচুগী ইন্নফি অম ইল্লি। পাবাবেলবু খৌবাংন চাইবি। মনেমবোক্ল অউনপোৎ যাম্মী যামদে হাযবগী ব্রাদি লিম্বোইগী মফমদ লৈত্রে।

কৈদৌবে হৌজিক ফাওব তুম্বীবমাদ্রবসিবো?

নংগী যাথং চাইদোবিবানা। ফমুং মথক, যেৎক ওইগ ফমফম চুম্ন ফম্মীন্নে। পীবাবেল বা মচেৎ অমও চাঙদনা লৈখি। মদোম তবক্ল নাযতোম তাহৌববী, মচা কাযনবগী মৈচাক্লসু চাকথেক্লবী লাংলেন্ন বান খাঙলমগদৌবদো নিংশিংলুবগ মথন্ত সুম নুঙাইবকএ। মতম কযাম অৱা অনা কযা খাঙমিন্নবক্লবী মাগ ঙাসিগী নুমিৎ অসিদ খঙলাপ লাপথোকখিবদ ব্রাখল নুঙবংনবে। লিম্বোইন চিংনান হাযবকই; কৈদৌবগে তুমিন্ন লৈববাদি?

- কৈশু তৌদেদা। পীবাবেলন থৈদোক্লগ খুমই।

-- ঙসিগী ইবান্নিগী পুন্সি লৈপুন শেন্ব, নুংঙাইবব নুমি;সিদ কবিগী ব্রাখল নুঙবংনরিবনো।

— ঙসিগী নুংঙাইবব নুমিৎ অসিদ, ঐগী ইমাদুদং লৈজরম্লবদি ঐন কয়াগী মতিক পেনজগনি। মচাগী মমৌ লাক্লে হাযবদুন হবাওজবদো ইমিৎসিন পেন্ন য়েংজবমগদবনি। অদুবু ঐগী লাইবকসিন কয়াদ থীবম্লিবনো? শুৎ শুৎ কপ্পী।

-- করিগীনো নুপান নপী অদুক যাম্ন নৌথরিব। ফিজিন পীবাবেলগী শিন্থরক্লিব মিৎলুই পিরাংদুবু তৈথোকচবম্মী। তৌহৈদেসে, লুহোংব নুমিত্ত কপ্পসে। ঐস্ পাম্লিবনি, নহাক্কী অপোকপীদুদ খুকমজদুন মাগী সেবা তৌজবদো। থম্মোয়সে পেনজদে সুম খম্বরুবদ। অদুবু নোংমত্তদি যুমদ চত্তুন পাবুংগ শকখংনহল্লু। ইনাওনুপা, ইনাওনুপীগ, অমদি ইনেমতোনগ ব্রারি শান্নর্রুসি। ইচিন ইনাওবু পুন্সি চুপ্লগী কায়নব যাববা?

— লিঙ্খোই ঐনে, কোকসে যাম্ন ঙাওবে, অমুক্ত হিপথগেকো।

লিঙ্খোই পাখৎপ অম ফাওই। নুঙাইবব নুমিৎ অসিদ মপুরোইবন মশা ঙমলক্তগী মওং অম তৌরকপদ। খুয়াদ থুপচিল্লম্ব ফৈজুপ্তু চিংখৎলগ শুপথবীবম্মী। মমায়দু হ্মাং অনপ্পী কারকই, তশেংন অনা-অয়েক যাওবক্কদ্রা খন্দুন পাখৎলি।

লোংন অমুক হিপথৈ, চেপ্প অমুক হিপ্পী, অমুক হৌগৎলগ যেংজৈ। ফন কুইন তুম্ব য়ারমদে। উচিন-নাচিন্ন থেমদুন তুমথখ্রে। মতম কযাগী মমাংদগী মনাক্ত অমুক্তং লেঙদন লৈবীরবদি হায়দুন লাই নীংজবকপদু, ঙসি লাক্লব নুমিৎসিদন ব্রাখলদ চবাঙ খোয়রাঙনরি।

— ইপাগী ইবুংঙো, নঙদি নুংঙাইরব ইমুং অমদ নুংঙাইন য়াতারি। অদুবু ইপাদি তাইবঙপানবসে থাদোক্তুন চৎপ তাবে।

— পাবুং নচাগী পুন্সিসে নুংঙাইরমগদৌব মানববা? ঐ য়াম্ন ব্রারিনে। নুংঙাইব ইমুংদ লৈজরবসু ব্রাখলদি কঙাওনরি, ইনিংতম্ন পুক্লিং লৈতান হিংব ঙমজদ্রি।

— নপাগী পুন্সিসে কুইন শাংন ইচাগ লৈমিন্নৌ তন্নমদ্রমাল্লে। ঐ ইচাগী মফমদগী লাপ্প চ;খিব তারমাল্লে।

— ইমাতোন্ন মীরাইবীরব্রা? ইনাওন, নমৌন সেবা নিংথিজন তৌবীদ্রবরা?

— মখোয়ন ঐবু লুন তৌই। অদুবু নঙন য়ুম থাদোক্তুন হেক চৎখিবদগী ইপাদি ব্রাখল লৈতাফম খঙখিদে। নঙবু খিব য়াব খিরুরে। অদুবু নহাক্কী নুংশিরব শক্তমদো উব ফঙলক্তবদগী চাব থকপ য়াখিদে। নহাক্ক দিল্লিদ লাইবিক তমদুন লৈবম্লব, নমাতোন্ন অফবী নুপী অম ওইরম্লব ঐগী থম্মোয়সিন কয়াদ নুংঙাইরমগদবনো। হৌজিক্ত খল্লুরগ নীঙমলকত্রে।

পীবারেল

— নচাবু তাক্লমদন তুমিন্ন চৎলিব করিগীনো? অমুক্ত ঙাইবীখোবা পাবুং - পাবুং। কন্ন লাউরকই।

লিশ্লোই খংপ্রেক খংদুন হৌগৎলকই। পীবারেলবু হৌদোকই। কৈদৌরগে, অদুক কন্ন কৌবীরিদুবো। নিংথিজন তুমদ্রবরা?

পীবারেল মমিৎ পাঙথোকই। লিশ্লোইদ মুন্ন য়েংথোরকই। অদুগ হায়রকই; লিশ্লোই ঐগী মঙদ পাবুংদো তাইবং পানবসে থাদোক্তুন চৎলম্মী। অদুননি ঐন কন্ন লাউরিবদো। তুম্নমদাইদ নঙন হায়বদুদ চুম্ম উরিবরা?

— পাবুংগী মমিংবু করি কৌবনো?

— চাউথোই কৌই। শিন্দমশঙগী লমজিংলোয়নি।

লিশ্লোইন ফুক হৌগত্তুন পোক্লফম পাউচে অম পুরগ পীবারেলদ য়েংহল্লি। ঙসিদগী থা অমরোমগী মমাংদ ফোংখিব পাউচেনি। লান্ন থৌরমগী হাপ্লকইবসে। পীবারেলন পাদুন য়েংবদ মপাবুংগী মিংগ চান্নরম্লে। পাউজেনজরিবশিংদ মমাতোনগী মিং, মনাওনুপাগী অমদি মনাওনুপীগী মিংসু করি অমত্ত শোয়নরমদ্রে। পীবারেলন হন্দক্তী পাউচেদু চেৎন কোল্লগ হিক্র হিক্র কপখৎলকই। 'ইয়াম্বগী ইবুংঙো শহেনব, নঙ নয়াম্ববু ব্বারৌবরা? ইপা শিবফাওব পাউ তাক্লক্তবদি। ঐন লাপ্ন লৈশ্রে হায়দুন মীতোপকুম খল্লবোইরে।'

— অহিং নোংয়াইসিদ নুংঙাইতেসে। ইমাহোয়ন তারগ ব্বাখল অম খনখিনি। লিশ্লোইন থেমজিল্লগ হায়রকই।

১৭ শুব

লাংলেন মথন্ত চাউবব যুমজাওদ লৈব থাম্লি বাবে। মদোম তবক্র লৈব পাম্লকত্রে। মশা ঙমদ্রে হাযজিন্নদুনা পীবাবেন্দ পাউ চেল্লি। পাউদ্ তাবদ পীবাবেল নুংঙাইবমদে। লাংলেনগী মনাক্ত কন্ন চেন্নিংলমই। মকুবোক্ত চৎপগী বা তক্রবর্ম্মী। মকুবোক্র অয়াব পীবর্ম্মী। মতেং ওইননব লিশিং অনি পীবগ হাযববই। মাগী কনা অমত্ত তেংবাবীনব লৈত্রে হাযববনিন, মঙানি তাবানিদ চৎলুবো।

পীবাবেল হবা ওন থম থেংলর্ম্মী। অদুবু লিপ্লেইদি পাশুন শুপ্ল শাওজাব। যাম্ল হৈনদবগী মওংদ হাযবকই, অনাবদুনা যাম্ল কনব ওইদ্রবদি হব থুনা হননীবক্ৰটক। মপুবোইববু খম্বল্ব বাহৈ পীবাবেলন খঙই। অদুনু চৎনাবগা মযাযল চৎপ তোই।

লাংলেন ফনুংদ ইশি শিন তুল্লি। মমাঙথোক্সু ইহাং হাংদোক্লী পীবা . . . হৌদোকই। লাংলেন নঙবু নশ ঙমদে হাযদুব কাব ওইনানা . . . লাইব . . . যেংই। ইস ! সিদি কৈস্ তৌদেনে। মাগাসিবু ঐেভোন্দ লক্লবব হাদেব . . . মাখলদ মওল মওল খল্লি।

লাংলেন মমিঙু তপ্ন পাঙথোক্লকই। পাবাবেলদ মঙ . . . যংলগা হাযবকই। যাওং ইনব নুপাসি লাক্তি লাকইদনা।

নঙন নশা ঙমদে হাযবগ, সিদন নাসু নাকমদে। এডোন্দ মীনম্ব হৈবেনে। ঐদি ইপাবু পাখৎলুবে।

নযুম হেক পানখিবদগী শুক্লাক্ক লাকুন চম্মানে। ইঙাম্মদ মথাবাহ বাহনগে খন্দুন কীবিবনিদনা। কমদৌই মৌ অনৌবাগী চাক এঙ্গাংদু হাওব্রা . . . হিগৎলগ হাযবকই।

মসি অশাংসম . . . এডোন্দ হেক্ত শান্নবকপ। লাংলেনগী মনাদি খৎতনা লৈথৎলা। খঙব্রা নাচন্দু থাখোদনা, নাবিনিনে।

(উম) হে, মাগী না লৈথৎপাসি হৌবক অদৌন। নঙগী সনা ইবেম্মদুদাদি লোংমও লৈবীবম্মোইনে, কিবদগী।

মাদি নঙদৌন মীনম্ব চাঙদেনে। অশেংবদ ডাঙইদো।

ইস ইস থাগৎলু নঙগী সনাইবেম্মদ্।

পীবাবেল

[illegible] পঙফুদ ফুনিংই।

কাবগা ফুনিংলিবনো? পীবাবেলগী মথাদ ঙাথবগ হাযবকই।

[illegible] চন্দোকউসে, ঐ হৈনদে। শাউবংনন খুমই।

শাউবাগাক হৈবববানে তামো। কনান তম্বীবিনো? ইনম্মন তম্বীবিবো।

অঙাং নঙ ঐঙোন্দ পঙহৌ হৌবক্কনুকো। ফুবক্তন অবেম্বদ কপ্তুন তোক্কনি। খব [illegible] তম্মু।

[illegible] ফম্বীবম্মু, ননাই নুবীন চা লোনজকগে। ফমুংদগী চোংথবগ চৎখি।

পীবাবেল লোংন চিপথবি। পুম্নমক ঐবু শান্নব ওইবন্নবকো উমঃ লাংলেন্ন [illegible] যুমসিদ লৈব চমদদুন তৌবম্বসু ওইবিনি। ঐন মাবু পুমথা থাদোকপদি ফত্তে। [illegible] মহাক ঐঙোন্দ কি হঙ্গোইন চৎচবম্বনি। অদুবু ঙসিদি ওইনজব মওংদ মাগী মপুবোইব অমগুম খল্লি। মীনুংশি চাউব শাদুন লৈবন্নব ঐন মাবু হেক্ত কাউথোকপদি চমদেনা। অমবেম্মদ মাগী মমিঙ মচা অম হেক উহন্দ্রিব ফাওবদি ঐবু মান [illegible]।

তামো চা থক্লাস। লাংলেন্ন চা পীবগ হাযবকই।

[illegible] চা লোনবগাক হৈববোইবে।

[illegible]কসু ফজন থোংব হৈবে। তামোগী সেবা তৌজবদি তশেংন হৈবনি। তামোন [illegible] হেক্ত তম্নবানি।

[illegible] ঐ অমক চৎলগে।

[illegible] চৎখিনুদ। যুমগা মান ঐবু ওইদব ঙাঙই হায়খিনি।

[illegible] যেংব লাকঅবদি কমদৌবা।

[illegible] ওইনগনা নাশিন্নব তাবেদনা, থাজননব। কৈদৌঙৈ লাক্কনি হাযবমগে?

[illegible], তঙাই ফদ্রবাদি, মঙাবা, তবানিবা লৈযু হাযবকই। ননম্মনদি হায।

[illegible] হাযব [illegible] ফাওব লৈখোদনা। শিন্দমশঙদি যাওশঙগী শিনহেন (ছুটি) [illegible]।

[illegible] ঙসিসে লমতাগী থানিল (পুর্ণিমা) নুমিৎকী যাওশঙ মৈ [illegible]।

[illegible] হনবাবো। অদু তামো, বা অমত্তগ হংজগেব। খব ব্রাবগী [illegible]।

[illegible] হৌজিক্কী শেল অমও থোকত্রে। ঐবু কবম্ন [illegible] পাংবাযনা। ঐগীদ হাযফম নীফমসু লৈতে।

[illegible] নঙন নাশা চমদে হাযবদদ,

পাবুংন লুপা লিশিং খনি পাবকই। মসিদগী লৌহৌবো। অদুগ থা খুদিংগী ঐন অঙম্ব শেল খবস্ পীবক্কনি। ইচলগীদমক্ত ইবুংন ঙল্লিব মখোঁদ হোৎনাখগানিদা।

অদু মবক মবক্ত খব খব লাকউবা। ঐখোয় লৈকাইসে যু ঙাওব ওক্তব লুপা যাম্ন লৈবে। তামোন লৈতবসিদ ঐঙোন্দ যাম্নকনেম্মে। ইথন্তগ লৈবে, ঐদি যাম্ন কিঁজে

হৌজিক যাম্ন চাওখৎলব মতমসিদ মখোয়ন ঙাওশিন্নবগ কাবন তাবিবদুব কবিগীনো ? বাবক্তদনা তৌবিবনি।

অদো [illegible] লৈববদি, ম[illegible]খায় ঐব উ[illegible] [illegible] তাকখিন্দীব মাল্লি।

খোঙ্গা [illegible] পোল্লাল [illegible] [illegible]নাদ [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] অয়ক্ক [illegible]

(বাসকেৎ) অম পাহবগ [illegible] [illegible] পুবনঙ [illegible] খোংদনা চানব লাংই। [illegible] যু ঙশঙ্গী তায়দনা যু থকপ খোন[illegible]। [illegible] থকপ [illegible] খোয়[illegible] [illegible] শাটাংনা। শাটাং [illegible] টানাং চাব [illegible] [illegible]। [illegible] থকফমদ চৎলগ কৌনসিবা ফাঙব খল্লকই। [illegible] পাবুবেল [illegible]ল্লকই। [illegible] কাদ লাংলেনদি ঙাথদুনা [illegible] পাবাবেল [illegible] [illegible] হৌদাকই 'হায নঙবু অয়কাসিদ তুম্মীদুবু' [illegible] [illegible] শা[illegible] কৌগৎলকই। ইস, যনমাসীদ লোইরবেদনা ? মচীন্দু শুগৎলগ খাঙই। মীবেমশিংদগী পুল্লুবিবনিনে ? অসুক কইনা ঐখোযসিদ লৈবব যু থকপাদ লায়বদনা ক্না, (চুবউ) মখুগ থক চাব উদবানি। ঙসিন যু থক্কবাননে ?

পীবারেল

— য়ু থক্তব মীবু লৈবরা ? মতাং মতাংগী হায়বদুনি। চীংলেম্ম হায়বপ পীবারেলগী ব্রাহ্মেনি।

– চাক লাম্বন লোইরবনি। চাথোক্লুরসিনে। ঙসাইদগী ঙাইবদ চরি তৎলবনি।

— লাম্লগ ঙসাইন চাথোক্লম্ব য়াদ্রা? ঐন নুমিৎ তারগ লাক্লম্লবদি নঙ অদুম ঐবু ঙাইব তারি, চরি তৎলবসু।

হুং মশক অসিগ। ফুক হৌগত্তুন চঙখি চাকশঙলোমদ। পীবারেলসু নোক নোক্তুন মতুং ইল্লখি।

ইস ! কদায়দগী ঙানো? চাক খোৎথরগ পীবারেলন হায়রকই :

-- চদুম চাউব। কুপথ কুপথ হংখ্রে। চাকচারিউঙেদ রা ঙাঙউদ্রেদে।

ইথা থাজদন খোংলম্বদুদ চুম্ম হংবনি।

অহাওব অমত্তু পীজদে হাযখিনেনা, ননাইনবীন ঋৈখেল্লদগী লৈজরুরিবনি।

-- য়াওশঙ্গিনদবু কদায়দগী ঙানো?

- য়োল্লম্মা নুপা নঙ্গরে। নোক্লগ হায়রকই।

- কনান অদুমাইন হায়বু হায।

ইহে ! শোযখ্রমাল্লে। থীক থীক নোকই। মীন হায়নবদুদ শোয়দন হাযখ্রমাল্লে।

১৮শুব

পীবাবেল ঙসিদি যুমদ হল্লগে খন্দুন থৌবাং তৌরে। ফিবোল শেৎলীঙৈদ, লাংলেন্না শুৎ শুৎ কপ্লবে। মমাযদু ইপোম পোমই; মশাস্ ইতুক তুকথবে। তামো, সিদগীদি ইথল্ত ঙাযহৌবগনি। মসিদনি ঐন খাঙবদ যাম্ন বাগদৌবিবসে।

— নঙন অদুম্মাইন কপ্লকপদনি ঐনা খোঙথাংব ঙমদ্রিবসে। ঐসু চত্তব যাদবনি। যুম অম পাল্লুব কৌবনিন যুমদ হনজিন্দবসু যাদবনি। অদুব ঐনে, মবক মবক্ত নঙবু যেংশিনব লাক্কে।

- চিক্ল লৈবসিদ ঐন কযাদ নুংঙাইজদ্রিব ? ইনম্মাদি, মমা মপা লৈবানিন কযাদ নুংঙাইন লৈবমগদব। খল্লুবদ ঐদি হিংনিংদ্রবনি।

— নঙগী হিংনিংদ্রববনি হাযদুন হু থক্লগ শিবদম্মাদি তৌবমগনাকো। নং শিববাদি যুমসে মপু লৈহৌবোইকো।

— অদু কৈদৌঙৈ লাক্কে হাযবিনো ? পীবাবেলগী [illegible]

- চপ চাবদি হাযবদি ঙমদে। লাংলেনগী মকোক্ত নাপ্‌লীবগা হায়বকই। [illegible] যাম্ন পীকশিনগনুনে লাংলেন। খবসু চাউথোকপ [illegible] নাপক্লিংদো। [illegible] চংলখিংগে, অদু ঐনে চৈবাওব নুমিত্ত লাক্কে।

পীবাবেল থোকখ্রবদ, লাংলেনদু বাহল নুং ডুই [illegible] উথোক তেন্দ খ্রাবগ লৈহৌবি। মীকুপ অমত্ত থাদোক্লীংদ্রি পীবাবেলন [illegible] কযা, খব ডাউনা, খব শাউনা লোযনবকপনা কাউব ঙমদে। পীবাবেল খুম্ন [illegible] অমত্ত লৈতে। মহাক্লনু অতোপ্প [illegible] ঙমহৌবগ্ন যাবিপোৎলে। অদবু লমলাঙ্খ কনা অম [illegible] লাইচৌলন পীবাবেলদ মাগা ওইখ্রবানি। মপু [illegible] পনশিনখ্রবানি। কৈদৌঙ্গু থৌবি কোক্লোযদা [illegible] চিংলোক্ল নকাখনি হাযব ঙমদ্রে। লাকখিনি [illegible] অতানব [illegible] [illegible]

পীবারেল

পীবারেলদু কাদ ফিরোল হোংদোকপদ ঙায়রি। লিপ্পোইদু চঙশিল্লক্তুন কম্মরে। হন্দি হনবীরক্লেদন? করেম্লন ঙাঙই। অনাবদুবু কয়াম কনব লায়নানোনে?

— অনাবদো ফবগ য়ুমদ লাকচরিবসিনি। অনাবগী তেংবাংবীনব কনা অমত্ত লৈতদুন থাদোকপ য়াদেনে! ব্রা থৈদোক্লগ খুমই। অশেংবগীদি অনাব শুংয়াও য়াওব নৎত্রি। উকদব খঙডুদবদগী মীনম্ব য়ারিবনি।

- নঙ নৎত্রবদি, অনাবগী সেবা তৌবীনব মী অমত্ত লৈত্রে। অদুন তঙাই ফদন তৌরুরে সিনিনে। কবিগুম্ব নহাক লৈত্রবদি অনাবদু সেবা তৌবীনব মী লৈতদুন শিব তারীবা?

- হায়, মদুন নঙন মরৈ য়েৎপগী ব্রানিদনা। শাউগ; শিন্নরগ খুম্ব পীবারেলগী ব্রাহৈনি। লৈতব হায়বসিদি অরাবগী মশক্রা। নঙগীদি ইমা ইপা লৈরি। নঙন নাববসু ইমা ইপান মতেং পাংব য়াগানি। মাগীদি কদায়, কনা অমত্তসু লৈতে। নঙোন্দ থোক্লম্লবদি অসুক ব্রাবোইবে হাযবদো খঙলমগদবনি।

- লৈকাইগী মীশিংদুবু করিমত্ত য়েংবীদ্রনে?

- মাগী মাগী মথৌ হোংনাবিঙেদ শংলমদবসু যাই। ঐন হোংনবদগী অনাব ফহৌরে। অদু কবি কায়গে হাযবনে।

- নঙন নুমিৎ তবান হল্লক্তবদুদ ঐদি পাখৎলিনে।

লাংলেনগী লৈবিব মওং অদুম্মাইন তৌবদি নঙদি পাখত্তুন শিব তারিবরা?

- খোইবা তোয়দুন্ মচে মশা ঙমদে হাযবদু খঙদবরনে? নোংমত্ত ওইরবসু মতেং পাংব য়ারিপোৎনি। নঙোন্দ সুম শুক শুরু হেক নৈহৎপীরি।

- খঙদে, শাউনাখিব লৈবনবা নোংমত্ত লাকখিদে। অদু নঙন অসুক য়াম্ম পাখৎলীবসিবু করিগীনো? মপান লমদ, (সিফাই) লাম্মী ওইখিব ওইরম্লবদি নঙদি পাখত্তুন লোইনিবু।

— অদুন মওং অমানা ইবুংঙো। অনকপ স্বাইদ হনজিল্লক্তবদুদদি পাখৎচারিবনিদনা। মীনাদি চিবোনা চিবোন থাঙনবক্লে, অদুদদি অহিংগাকসে তুম্ব শুকয়া য়াবক্তেনে।

— মীনা কার কাব হায়বিবা?

- লাংলেনগ পীবারেলগ মবী লৈনবানি। অদুন লিপ্পোই অসে হন্দোকপীবম্লগ চৎত্রে হায়বক্লে। সিনদু য়াঙদব য়াবনবা?

মতম কয়াদগী লোইনবক্লবানি। মচাদুসু মপা অশেংবন লৌখ্রে। মমা মপাগা লৈত্রে। মবাগা মরা লৈনবদগীনি, লাংলেগা তৌজিক ফাওব ময়ুম পান্দদুন লৈবনবসে। লিপ্পোইবদি শোয়দপোৎনি হায়দোকপদদদি, ঐদি খাঙব ঙমদেনে।

হান, মদুন মীনা য়াঙনা কৌহনে। নঙগা নঙং য়েংগাদৌবগী লক্লিবব চঙনানি। নাউসিদি ঙংদোক্ল পংইদক্লো।

পীবাবেল

মীন ঙাঙনবিবসে চুম্মগনিকো। লাংলেন্ন হৌজিক ফাওব, যুম পান্দদুন শুম খাঙদুন লৈবিসিবু নঙগ মবি লৈনবদগী নৎত্রো?

মীন পঙাঙ ঙাঙনবাননে লিপ্পোই। মাগীসু অনিংব অমদি শোযদন লৈবমগনি। মদু মিংযেং চুমদন য়েংলগ লান্ন পাউথোকপীবসু চুমদে। অহানবদ খোঙফম অম শোয়খিবদুদ নুপাশিংশিবু থাজদবদগী মথন্ত চিক্ল লৈর্জনিংলম্বসু যাবিপোৎনি। ইবান্নিগী যুম্বাল কাযননব মীব্রা পঙঙাং ঙাঙনবদুবু নঙন থাজবিব কবিগীনো?

— অঙাংদুন মপান লৌখিবগী মবম্ন কবিগী ?

— মপাদো, মচাপোকত্রে হাযযে। মাগী অশেংব ওইবদুদ যোকচবগে হায়দুন মতৈ মনাও লাক্লুন হাযবকখি। অদুবু লাংলেন্দি যার্জাখিদবান। অদুবু মখোয়ন হায়মনবদুদ ঐন পীথোকখিবান। মবমদি খঙদন পঙঙাং ঙাঙনবিসিবু?

- লান্ন খল্লুব ঐন লানজবে। ননাইবু ঙাকপীয়ু। মথাদ মঙক ঙাথবগ ওইনজবগ হাযবকই।

— ঐঙোন্দ তামো হাযব নত্তন মমিৎন হঙ্গৎন যেংজদবী ইচলনি। মমা মপা লৈতবদুদ ঐঙোন্দ মবুং অমগুম খনজবিবসিদ লান্ন উবীবসে ঐদি যাম্ন শার্উনিংইদা। যাচংঙে, লাইগী সেবা তৌকবোদন। ইনাক্ত শুক শুক নৈদুন লৈতসু। ইমান ঙাংখৎলক্লগনি। নুপা লাক্লগ কাদগী হেন্দোকত্রে হাযবর্বাদ ঐদি ইকাযকো।

- ইকাযন খঙঙেদা ! ফমুংদগী ফুক হৌগৎলগ চৎপি।

পীবাবেলন লিপ্পোইদ মীনম্লগ হাযখিব বাশিংদ খল্লুবগ পংলোওং নোক্লিংই। লাংলেন্ন হাযহৌবিব বাহৈ, যুমদন লিপ্পোইন পাখৎন হাযবকপ বাংও, বাগে অনিগী মবক্ত মীনম্ন ব্রাঙাংন থেমাজর্নবাব অশাউবগী মিংযেংদুদ।



'পীবারেল' গী অইব মণ্ডাল (কিরন)

খোকাচাম মণ্ডাল (কিরন) মীত , ১৯৭৪ গী নিংথৌপালগী য়ুমসাকৈসদা বাঙ্গু সাবল সাগোল লম্বী লৈকায়দা অপোকপ ইবাওবী মীত, অপাকপী খোনাওজম নিঙোল ভুমোসোরী লৈমগী অমহুগী মপারী ওইনা তাইবংদা থোরককখি। মপা অহুম , মপী অহুমগী শাইগী অহলনি। বাঙ্গুগী পব্লিক মোর্ডন ইংলিস স্কুলদা ওজা ওইরি। পিক্লিঙ্গদগী বারি সৈরেং পাব-ইব-তাবদা পুক্লিং লুপচরকই। রেডিও, টি ভি চেনেলসিংগসু মরী লৈনরকই। ১৯৮৭ তা মসাগী ১৩ খক্তং ঙাবরিঙ্গদা 'অরায়বা খোঙথাঙ' কৌবা সুমাং কুমাই অম ইদুনা লৈকাইগী কুমাইরোইসিংনা সান্নখি। মুংতিগী ফেঙ্গবা পাউচা অয়াম্বা বারী সৈরেংসিং চাং নাইনা ইরকখি । থাগী চেফাঙ্গ অথোব, ইচেম্মা অমদি অনৌবা মণ্ডালগীসু অইব অমনি। তোঙান-তোঙানবা লোইনসিল্লোন লুপসিংগসু খুত্সম্নরি। 'কলম' গী লুপালোই ওইনা কংলে লোইনসিল্লোবগীদমক থবক চঙসিনমিন্নরি। মাবনাপোক তোঙ্গাল মপুবোক কুবরন ইসু নিংথো হায়না লূন তোজব অইবসি মতম চুপ্পদা ইগাদোগীদ করিনা খর খোত্চিনগদোগীদ তৌদুনা অসাওবা মসক করিনা খঙদবগুম ঈং-তপচনা পুন্সিনি। লাইরিক ওইনা অহান্বা ফোঙ্গবদি 'পীবারেল' না অহান্বা ওইরি।

'কলম' গী ফোঙ্গলব লাইরিকসিং :-

১. অয়ুকী নাচোম
২. খল্লুবদা নোক্লীংই
৩. অদংবী অতক্পী লাইরেম্বীগী তেংথাখোল
৪. এজ দি গ্রোপ ফেল
৫. মহম
৬. অচুম্ব লৈই
৭. সনাই সৈরেঙ্
৮. পীবারেল

অই-অরেঙব, অয়েক-অহকপ, অসেম-অসাব, অসক-অখোঙব, কুমহৈরোই, সান্নরোই অসিনচিংব সিনক ম পুন্নমকি সিরোইসিং , থোইদোক্ন ইনখত্লক্লিবসিংগী ওইজব 'কলম' গী ফম্বাকনি। পুন্নমকসু কৌজরি।